ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুরনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সী এগজাম, ২০২৫গী রিজল্ট স্কুল এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরিনা লুচিংদুনা বোসেমগী ওফিসতা লাউথোকখিবা


লৌশিং পূক্কে : দেঙ্গি লায়নাগী মতাংদা অমদি দেঙ্গি... লামায় ২
লামায় ৪ ওপরেশন সিন্দুর লোইশিনখিবদা, ওপরেশন ব্লু ...
ইরৈবাক নুংশিবগী ইহুলবু য়াকাইহল্লিবা রুপমহল ... লামায় ৫
লামায় ৬ তম্ন-লাইরিক্কী মতাংদা এম এস এফনা গভর্ণরদা...
পহলগাম টেরর এটেককী মতাংদা কোংগ্রেসনা... লামায় ৯
লামায় ১২ খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস : শঙ্কর হৈস্নামনা...


মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'য়াহৌথেংবা খোইমু' না নেশনল অমসুং ইন্টরনেশনল এৱার্দশিং ফংলকখিবদা ফিল্ম অসিগী মীওইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 49, Issue No. 047 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী ১৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 13, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## বি এস এফ কন্সটেবল চীংঙাখম দীপককী হকচাং ঙসি পুরক্লগনি

# এয়রপোর্টতা গভর্ণরনা লুচিংদুনা ইকায়খুম্নগনি মপূং ফাবা সেল্যুট পীদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি



পাকিস্টাননা চত্থরকপা দ্রোন এটেকতা লৈখিদ্রবা য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকায়দগী বি এস এফকী কন্সটেবল চীংঙাখম দীপক (ফাইল ফোটো)



এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা লৈখিদ্রবা দীপককী য়ুমদা চৎতুনা মহাক্কী অপোকপী য়াওনা ইমুং মনুং অমসুং মনাওনুপাগী অৱাবদা শরুক য়াখিবা

### ইচানুপানা 'বাবা য়ুম শারসি' হায়না য়াম্না কন্না হায়রমখি : দীপককী অপোকপা



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৯ অমসুং ১০গী লোন্নবা অহিংদা পাকিস্টাননা চত্থরকপা দ্রোন এটেকতা শোকপদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকায়দগী ৭-বি এস এফকী কন্সটেবল ওইরম্বা দীপক চীংঙাখম লৈখিদবগী পাউ তাবদা মহাক্কী অপোকপী চীংঙাখম ওংবী ইবেমহল অমসুং অপোকপা সী ঐচ বোনবিহারি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে, পাকিস্টাননা কায়হৌরকপদা চপ চানা খূৎ হন্নবা লেপ্লখ্রে, থিংজিল্লম্বা এয়রপোর্ট ৩২ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা সিজফায়রগী য়ান্নবা পুরক্খ্রিঙৈ থা অসিগী ৯ অমসুং ১০গী লোন্নবা অহিংদা লৈবাক অনীগী তাইনবদা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্কী খরখোলা বোর্দর আউটপোষ্টতা মথৌ পাঙথোকপদা পাকিস্টাননা চত্থরকপা দ্রোন এটেকতা শোকপদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রবা য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকায়দগী ৭শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী কন্সটেবল চীংঙাখম দীপককী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ইন্দিগো ফ্লাইট অমনা পুরক্তুনা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.১০ তারকপদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলরগনি।

মহাক্কী হকচাংনা এয়রপোর্ট য়ৌরকপগা পন্থদনা মরু ওইনা বি এস এফনা মাঙজিল থানা শীন্দুনা মহাক্কী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাসু শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী অপোকপা-অপোকপী, মচিল-মনাও, ইমুংগী মীওইশিং অমসুং মহাক্কী মরুপ-মপীজা কয়ানা শরুক য়াগনি।

লৈখিদ্রবা চীংঙাখম দীপককী ইমুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী 'মেজর লাইশ্রম জোতিন সিংহ অশোক চক্র (পি) স্কিম' গী মখাদা লুপা লাখ ১০গী এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, পাকিস্টানগা মায়োক্নবা লানফমদা লৈখিদ্রবা চীংঙাখম দীপককী য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা ঙসি নুংথিল এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর লৈঙাক্না সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর থবক্তা ওন্থোক্কে হায়বদগী

# হোম মিনিষ্ট্রিনা চীফ সেক্রেটরি ১সুং দি জি পিদা 'লেট্টর এন্দ স্পিরিট' তা পাঙথোক্লুবা খঙহল্লক্লে




হুইয়েন ব্যুরো

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা প্রকাস সিংহ কৌবা মীওই অমনা অতোপ্পা খরগা লোয়ননা পূন্না পিটিস্নরশিং ওইমিন্নদুনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মরী লৈনবা ওফিশল খরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অমগী ৱায়েল এপেক্স কোর্ট অসিনা চত্থরবা মতুং সেপ্টেম্বর ২২, ২০০৬তা পীখিবা ওর্দরশিং লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুম্নমক্না থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রবসু মণিপুরগী ওইনদি ওর্দর অসি পীখিবা চহী ১৮ লোম শুরবসু থবক্তা ওন্থোক্লমদ্রে হায়দুনা মার্চ ৫, ২০২৪দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরি য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি (হোম) অমসুং দি জি পিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখিবগী পাউখুম ওইনা হোম মিনিষ্ট্রিনা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দরদা য়াওরিবা থবক্তা ওন্থোক্কদবশিং 'লেট্টর এন্দ স্পিরিট' তা পাঙথোক্লুবা অইবা চেরোল পীরকখ্রে হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টনা 'প্রকাস সিংহ এন্দ অদরস ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অদরস' কী কেস অসি লৌখৎতুনা খন্নরগা সেপ্টেম্বর ২২, ২০০৬তা কেস অসিগী ৱায়েলগী জজমেন্ট পীখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা থবক্তা ওন্থোক্কদবা দিরেক্সন ৭ য়াওখিবনি। দিরেক্সনশিং অসিগী মনুংদা ষ্টেটকী থাক্তা ষ্টেট সিক্যুরিটি কম্মিশন লিংবা, পুলিস ইষ্টাব্লিশমেন্ট বোর্দ শেম্বা অমসুং পুলিস কমপ্লেন্টস ওথোরিটি শেমদুনা থন্বগী ৱাফম্নচিংবা য়াওরিবনি।

অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা পীখিবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট অসি অতোপ্পা ষ্টেট খরনা থবক্তা ওন্থোকপা হৌনখ্রবসু মণিপুরগী ওইনদি চহী ১৮ লোম চূপ্না থবক্তা ওন্থোরকখিদবনি। মরম অসিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশঙবম ময়ায় লৈকায়দা লৈবা হৌজিক্না মশাগী চহী ৭১ রোম শুরবা ৱাই মঙ্গি কৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140

ADMISSION NOTICE FOR CLASS-XI (Sc.) 2025-26

Direct admission will open till today (13/05/2025, Tue) from 8:00 a.m. onwards. Seats are limited based on first come first serve basis. Details for direct admission are given below :

Date and time of Entrance Test : On the 14th May 2025, (Wed) at 9:00 a.m.
Venue of the Entrance Test : COMET SCHOOL.

**Application Form :** Prospectus and Admission form are available during office hour **(08:00 a.m. to 2.00 p.m.)**
**Last Date and Time of Form Submission:- 06:00 am to 08:00 am** of **14/05/2025 (Tuesday)**
**Eligibility Criteria :** Students who passed / appeared Class-X examination or equivalent examinations, 2025.
**Entrance Test** : MCQ Test for 100 marks based on Class-X Syllabus (Eng, Phy, Chm, Bio, Mth). The duration of the examination is **1 hour**.

DIRECT ADMISSION (BOSEM & OTHER BOARDS) WITH BENEFITS
SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE BASIS, WHICH WILL BE APPLICABLE TO BOTH ALREADY REGISTERED AND IMMEDIATELY REGISTERED STUDENTS.
STUDENTS (IN PREVIOUS SCHOOL UNIFORM) MUST PRESENT FOR COUNSELLING ALONG WITH THEIR PARENTS/ GUARDIANS AND SUBMIT ORIGINAL CLASS-X BOARD EXAMINATION ADMIT CARD AND ONE PHOTOSTAT COPY OF MARKSHEET AND ADMIT CARD.

**CATEGORY 1** : Students who had secured CGPA 10 with (A1) Grade points in all the Subjects viz. English, Manipuri/ MIL, Science, mathematics and Social Science in the Board examination, (BOSEM) 2025. (Limited Seats)
**Benefits** : *Free Admission, tuition fee and bus service for Class XI & XII, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit. Scholarship package (Rs. 5,000/- per month) for 2 years.*
**CATEGORY 2** : Students who had scored CGPA 9.5 in the Board examination, (BOSEM) 2025. (Limited Seats)
**Benefits** : *Free Admission, tuition fee and bus service for Class XI.*
**CATEGORY 3** : Students who had scored CGPA 9 in the Board examination, (BOSEM) 2025. (Very Limited Seats)
**Benefits** : *Free Admission and tuition fee for Class XI.*
**CATEGORY 4** : Students who had secured CGPA 10 with (A1) Grade points in all the Subjects viz. English, Manipuri/MIL, Science, Mathematics and Social Science or 1st to 25th Rank / 90% and above in any Equivalent Examination, (CBSE & Other Boards) 2025. (Limited Seats)
*(N.B.) (CBSE & Other Boards): Selection is based on the student's ability to pass the individual test, failing which they can get direct admission without benefits.*
**Benefits** : *Free Admission, tuition fee and bus service for Class XI.*
*Students who cannot get the above benefits due to seat limitation may try for direct admission or entrance test.*

DIRECT ADMISSION (CBSE & OTHER BOARDS) WITHOUT BENEFITS
SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE BASIS, WHICH WILL BE APPLICABLE TO BOTH ALREADY REGISTERED AND IMMEDIATELY REGISTERED STUDENTS.
STUDENTS (IN PREVIOUS SCHOOL UNIFORM)MUST PRESENT FOR COUNSELLING ALONG WITH THEIR PARENTS/ GUARDIANS AND SUBMIT ORIGINAL CLASS-X BOARD EXAMINATION ADMIT CARD AND ONE PHOTOSTAT COPY OF MARKSHEET AND ADMIT CARD.

**CATEGORY 5** : Students who had scored 7.5 CGPA Grade points in the Class-X or Board examination, (BOSEM), 2025/ Students who have scored 75% in CBSE or Other Boards examination, 2025.
**Benefits** : Students are entitled to direct admission and not required to take entrance test.

(S.I.C.) FOR COMET SCHOOL STUDENTS' (LIMITED SEATS)
Features : Special Integrated Courses (**SIC**) for **NEET & JEE**. | Hostel facilities (Boys & Girls)
**To be taught by the Board of Directors.** | Transport facilities

HOSTEL AVAILABLE FOR SIC (NEET / JEE) & NON S.I.C. OPTED STUDENTS
Students, whose result (Class-X Board exam) is declared, **must submit the marksheet and other required certificates** at the time of the counselling for admission to Class-XI (Sc), 2025-26.
For more details, please check the school website **(www.cometschool.in)**

*Where excelling is the way of life..*

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/9532/13


## লুপা ক্রোর ৮২.৮১ চঙনা শাগদবা স্কুল ১২০গী টেন্দর পীখিবা থৌওং য়েংশিনবীয়ু হায়না চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০দা হায় স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বিল্ডিং ১২০ লুপা ক্রোর ৮২.৮১ চঙনা শানবগীদমক টেন্দর পীখিবদা অশোয়বা অরানবশিং য়াওরব্রা হায়বদু য়েংশিনবীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পি দব্লিয়ু দিনা শকখঙবা স্পেশল ক্লাস কন্ট্রেক্টর (এস কে কন্সট্রক্সন) না চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

য়াম্লবা শেনফম অসিগী মখাদা স্কুলশিং শাগদৌরিবা অসি নোর্থ ইষ্ট স্পেশল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট স্কিম- ও টি আর আই (অদর দেন রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর) গী মখাদা শাগদবনি হায়রি।

থবক অসি পাঙথোক্লবগীদমক স্কুল এদ্যুকেশন লোয়শঙনা ইঞ্জিনিয়ারিং প্রোক্যুমেন্ট কন্সট্রক্সন (ঈ টি সী) গী মোদতা টেন্দর তৌখিবনি হায়রি। মসিগীদমক লোয়শঙ অসিনা মমাঙ থাগী ২১দা ঈ টেন্দরগী নোটিস থোকখি। নোটিস অদুগী মতুংইন্না টেক্নিকেল অমসুং ...মখা লমায় ৮ কলম ৬

## পি এম জি এস ৱাই : চহী ৭ লোমসিদা পর্ফোর্মেন্স খ্বাইদগী ফত্তবা ষ্টেট মণিপুরনা ওইরে : তেম্বা



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই) গী থবক থৌরমদা চহী খরগী মমাঙদা পর্ফোর্মেন্স ফজবগীদমক মণিপুরনা মনা ফংখিবা লৈরে অদুবু হৌখিবা চহী ৭ লোম অসিদদি ষ্টেট অসিনা খ্বাইদগী পর্ফোর্মেন্স থীবা ষ্টেট অমা ওইরে হায়না সেন্টরনসু লাউথোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদস দিভেলপমেন্ট এজেন্সীগী চীফ এঞ্জিনিয়র কে ঐচ তেম্বনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৮ কলম ৬

### নাওপুরবী মৌনহা অমা লেকথরকপদগী লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :

মশাগী চহী ২১ খক্তা ঙাইরিবী থা ৮গী অঙাং নাওপুরবী তৌবুল মনীং লৈকায়দগী ইরুংবম অবেম্না, মপুরোইবা আই সনাতোম্বা কৌবী মৌনহা অমা খঙহৌদনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা ময়ুমদা লেকথরকপদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

মহাক লাইহরাওবা য়েংবা চৎনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা কোক য়াম্না চিকই হায়রম্লগা লেকথরকপদগী জেনিমসতা লায়কন্ননবা পুখৎলুবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামগী রিজল্ট লাউথোক্লে

# লাঞ্জেন্নবা মহৈরোয় ৪৭৪ য়াওনা ৩৩,৭৫৫ পাস তৌরে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (বোসেম) না লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামিনেশন ২০২৫গী রিজল্ট ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা বোসেমগী ওফিসতা স্কুল এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকপা থৌরমদা লাউথোকখিবদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মহৈরোয় ৪৭৪ য়াওনা ৩৩,৭৫৫ পাস তৌদুনা চাদা ৯১.৩৭ য়ৌনা পাস তৌখ্রে।

এগজামিনেশন অসিগীদক মহৈরোয় ৩৭,০৫২ মিং চল্লকখিবগী মনুংদা ৩৬,৪৯৩না শরুক য়াখিবদা মহৈরোয় ৩৩,৭৫৫ পাস তৌখিবনি। মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা নুপামচা মহৈরোয়না চাদা ৯১.৫০ ওইরগা নুপীমচা মহৈরোয়শিংনা চাদা ৯১.২৪ য়ৌনা পাস তৌখি। গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয় পূন্না ৮,৪০৪ শরুক য়াবগী মনুংদা মহৈরোয় ৬,৯১৮ পাস তৌদুনা লৈঙাক্কী মহৈরোয়শিংনা পাস তৌবগী চাংনা চাদা ৮২.৩২ ওইখি। এদেদ স্কুলশিংগী মহৈরোয় ১,২০৭ শরুক য়াবগী মনুংদা ১,১০৩ পাস তৌদুনা চাদা ৯১.৩৮গী চাংদা মায় পাকখি। প্রাইভেট স্কুলশিংগীনা মহৈরোয় ২৭,৩৩২না শরুক য়াবদা ২৫,৭৩৪ মায় পাক্তুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৪.১৫ ওইখি।

এগজাম অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা মহৈরোয় ৫৩৫ মিং চল্লকপগী মনুংদা মহৈরোয় ৫৩৩না শরুক য়াবদা ৪৭৪ পাস তৌদুনা চাদা ৮৮.৯৩ য়ৌখি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা য়েংবদা এগজাম অসিদা শরুক য়াখিবা ককচীংগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা চাদা ৯৮.৪৮ পাস তৌদুনা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুল রিলিফ কেম্পকী মহৈরোয় ৪ মায় পাক্লে

অঙ্কা থোকচোম

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেশন, ২০২৫দা শরুক য়াখিবা মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা মহৈরোয় মরি মায় পাক্লে।

মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংদি চুড়াচান্দপুরগী খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লকখিবী লাইফ্রাকপম লনচেনবী (১৫) অপোকপা এল অঙাং অমদি অপোকপী লাইফ্রাকপম ওংবী চাউবনি। মহাক ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবা খক্তা নত্তনা মেথমেটিক্স সবজেক্টতা লেট্টর মার্ক ফংলকখি। মহাক্না মায় পাক্লক্লিবসি ওজাশিং অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওই অমদি মরুপ-মপাংশিংগা লোয়ননা রিলিফ কেম্প অসিবু য়েংশিনবীরিবা কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎনীংই হায়রকখি। মায় পাক্লবা অনীশুবা মহৈরোয় অদুনা চুড়াচান্দপুরগী সিহাটতগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা ...মখা লমায় ৮ কলম ৬



লাইফ্রাকপম লনচেনবী





